ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, দিসেম্বর ০৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৪৬শুবা মশীং

# লৈখিদবগী মরম

## অখন্নবা এক্সপার্ট কম্মিটিশিং শেমদুনা নৌনা অমুক য়েংশিনবা চুমগনি

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবগী চাং ৱাংখৎলকপদা নত্তনা কেস মশীংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। চহী অসিগী মার্চ থাগী লোইরমদাইদা অহানবা ওইনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখি। মার্চ থাদা অহানবা কেস থেংনখ্রবা মতুং দিসেম্বর ২গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং অসি ২৫,৩৯০ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২,২৬০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩,১৩০ নি। পোজিটিভ কেসশিং অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২১,৯৩৭ শুরে। অদুগা কেস ৩১৬২না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৮৩৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩২৫ নি। চহী অসিগী জুলাই ২৮ ফাওবদা অপূনবা কেস মশীং অসি ২৪৫৮ য়ৌখি। নুমীৎ অদু ফাওবদা মীওই অমত্তা লৈখিদবা য়াওখিদে। অদুবু মণিপুরদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা রিমস হোস্পিটালদা চহী অসিগী জুলাই ২৯দা লৈখিদবনি। জুলাই ২৯দগী দিসেম্বর ২গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মশীং অসি পুন্না ২৯১ শুখ্রে। জুলাই থাদনা মীওই ৫, ওগষ্টতনা ২৩, সেপ্টেম্বরদনা ৪০, ওক্টোবরদনা ১০০, নবেম্বরদনা ১১৩ অমসুং দিসেম্বর ১ অমসুং ২দা মীওই ১০ লৈখিদ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীং অসিসু থা খূদিংগী হেনগৎলক্লি। নবেম্বর থাদনা লৈখিদবা মশীংসু খ্বাইদগী য়াম্লি। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা হান্নদগী মশাগী অনাবা লৈবনি হায়রবসু লৈখিদবগী মশীং ৱাংখৎলক্লিবা অসিনা অনাবা কয়াবু নীংথিনা লায়েংবীদ্রবরা হায়বসি ৱাহং অমদি ওইরি। লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবা নৌনা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা নাইট কর্ফিয়ুসু অমুক হন্না থমজিল্লকখ্রে। মসিদসু নত্তনা সোসল অমসুং কষ্টমরিগী ওইবা থৌরমশিংদা মী ২০ দগী হেন্না পুনবা য়ারোইসু হায়খ্রে। মসিমক্কা ষ্টেট অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিগী ফীভম লুশিল্লক্লে হায়বগী খুদমনি হায়না লৌবদা লাল্লোই।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চ্যের লৌদুনা ঙরাং সী এম সেক্রেটরিয়েটতা রিভিয়ু মীটিং পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিগী ওইরিবা ফীভমশিং য়েংশিনখিবনি। রিভিয়ু মীটিং অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, মিনিষ্টরশিং-টি ঐচ বিশ্বজিৎ, লোসি দিখো, অৱাংবৌ ন্যুমাই, সোরোখাইবম রাজেন, বুংজাগিন বালটে, ও লুখোই, টি ঐচ সত্যব্রত অমসুং ও হেনরিসু শরুক য়াখি। মসিদসু নত্তনা মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমার, হেল্থকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাং, হেল্থকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো, রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তা, জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. কে ভিমো অমদি অৱাংবা থাক্কী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। রিভিয়ু মীটিং অদুদা ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিংদসু পাউদমখিবনি। হেল্থকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা লুচিংবা এক্সপার্ট টিম অমনা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস), শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুট অমসুং রাজ মেদিসিটিদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং লৈখিদবগী মরমশিং থিদোকপগী সর্ভে অমসু চথখ্রে। সর্ভে অদুদগী ফংলকপা ফাইন্দিংসকী মতুংইন্না মতম থেংথনা হোস্পিটালাইজেসন তৌবনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অয়াম্বা শিখিবগী মরম ওইরি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। মরম অসিনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী মরক্তা সিম্পটোমেটিক ওইরক্লগদি অথুবা মতমগী মনুংদা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংথোক্লনবা মীয়াম্বু এৱ্যের্নেস পীবগী তঙাইফদবসু লৈরে হায়রিবনি। মতাং অসিদা হায়নিংলিবা ৱাফমদি রিমস, জেনিমস, শিজ হোস্পিটাল অমদি রাজ মেদিসিটিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মীওই অয়াম্বা মতম থেংথনা হোস্পিটালাইজেসন তৌবদগীনি হায়রিবা অসি কদায় ফাওবা চুম্লবগে হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। হেল্থ দিরেক্টরনা লুচিংবা এক্সপার্ট টিম অমনা চথখিবা সর্ভে অদুগী ফাইন্দিংশিং অদু অখন্নবা এক্সপার্ট কম্মিটিশিং শেমদুনা নৌনা অমুক য়েংশিনবা চুমগনি। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌশিল থৌরাংশিং অসিদা মীয়াম্না পেন্নদবগী মমিসু চাউনা তারি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা মীওই কয়ানা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা অনা-লায়েংগা মরী লৈননা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা পেন্নদবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে। মীয়াম্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা পাম্নরক্তবগী মওং অমা লাক্লিবা অসিগী মরমশিংগী মনুংদা মতৌ অসিসু অমনি। হৌজিক হৌজিক য়ুমদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবশিংগী মতাংদসু কদায় ফাওবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়বদু ৱাহং অমা ওইরি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯না শিবগী মশীং অসি লেপ্তুনা হেনগৎলক্তুনা খুদোংথিবা থাক অমদা য়ৌহল্লকপা য়াবগী মীপায়বদুদি লৈতবা নত্তে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?

২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) “ইনুংশোয়গী ঙাচিং” হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) “অরায়বা ৱারেং লাইরিক” হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?

৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি “লৈপুন”, অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৮
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঐখোয়না পামজবা লীলাগী স্ক্রিপ্ট অমা থিবা হায়বসিসু অরাইবা অমা নত্তে। লীলাগী স্ক্রিপ্টসি পাবদা য়াম্না নুংঙাইবা, নুংশিবা অদুগা লীলা ওইনা শান্নরকান্দা নুংঙাইতবা য়াম্না য়াওই। লীলাদদি ৱারী ফজরে হায়রগা হেক্তা য়াদে। ষ্টোরি কন্টেন্ট অদুগী প্লোট, কেরেক্টর, সিচুয়েসন কয়া অদুগা পর্ফোর্মিং টেক্স ওইনা মপূং ফানা পুশিল্লকপদা চুশিন্নবা-চুশিন্নদবা য়াম্না লৈ। নৌনা শুমাং লীলা ইবা মী অমনদি মসিগী মায়কৈ অসোমদা চঙশিনবা হায়বা অসি অরাইবা ওইদে। এক্টরশিংসিসু ৱা য়াম্না পেৎলি। মানা পাল্লিবা অদুদগী হেন্না পাক শন্না উবা ঙমদবসু য়াম্না লৈ। অদুনা মাগী মাগী কেরেক্টর অদুগী খল্লগা লীলাগী স্ক্রিপ্ট সেলেক্সন তৌবা-তৌদবা হায়বসি তোইনা থেংনৈ। মী খুদিংমক্কী অপাম্বা মান্নদবনা স্ক্রিপ্ট খনবা হায়বসি লাইদে। মীৎ-না উইশিল্লগা থৌ পুরিবশিং অদুগী অচেৎপা ফিরেপ অমনা সি তৌরনি হায়না ৱারেপ অমা লৌবা নৎত্রবদি পাক হেক্তা য়াদে।

হৌজিক্তি লীলা ইবীনবা কয়া লৈরক্ত্রে। লীলা ইরম্বশিং অয়াম্বা অনৌবা লীলা ইবা ঙম্নদ্রে। অদুনা লীলা শান্নবা য়ানবা মওংদা স্ক্রিপ্ট অমা শেম্বা চঙই। নৎত্রবদি লীলাদু ওইদে। লীলাদু শেম্বদা হান্নগী ওরিজিনেল স্ক্রিপ্ট অদুদগী পুমনৌ নৌবা অমা ওইনা থোরকপসু কোঙ্গাইনি। য়াম্না কুইরবা কুমজা ১৯৮০/৮১গী অদুৱাইদা লীলাগী অনৌবা স্ক্রিপ্ট ‘নুংশি খুদোল’ হায়বা অমা শান্নখি। লীলাদু মতমদুগী য়াম্না মমিং লৈবা লৈখিদ্রবা ওজা মাইবম রামচরোননা ইবিরগা তম্বীবনি। ওজানা স্ক্রিপ্টতু ময়ূমদা পাবসিদা ফজবসিদি ঐখোয় পুমশুম শুম্মী হায়বা তাই। লীলাদু ঐখোয় তম্বা হৌরে। ওজানা তম্বীবসু ফজৈ। ওজাদি কেবসু য়াম্না হৈ, খুঙ্গংগী হেল্থ সেন্টর অমদা ডোক্টর ওইনা পোষ্টিং লাকপা অমনা খুনগী প্রধানগী ময়ূম, লৈকায় খুনগী পুখ্রি অমদা ঈশিং শোকপা লাকপদা লৈশাবী অমদা হংবনি। মদুগী সিন অদু তম্বীবদা য়াম্না ফজখি। ডোক্টরদু ঐনা শাখি, অদুগা লৈশাবীদুনা লৈখিদ্রবা দেবদত্ত শর্ম্মনা শাখিবনি। লীলাদু ফোঙলে। ফোঙবা নুমিত্তা ভাবোকশিংদু মচিৎ-মচিৎ কায়বনি। ঐখোয় হৌগৎলগা থোরকপা ফাওবা ইকায়বগী থাক অদু য়ৌনা হেক নুংঙাইতবনি। নুমিত্তু ওজানা ঐখোয়দা য়াম্না শাউই। লীলা শান্নবদা চুম্না শান্নদে, নশা নশাগী হৈনবীদা লীলা শান্নৈ। অদুনদি কাইদগী ফজরনি হায়না চৈবীরে। লীলাদু শো খরা উৎলম্লগা মখা অদুম উৎখিদ্রে। ওজানা ফরে নখোয়গী অতোপ্পা স্ক্রিপ্ট অমা ইবীরগে অদুগা অনৌবা অমা তৌরসি হায়না তাকপী। ওজাগী ঐখোয়না মমাঙদা শান্নখিবা লীলা ‘লমলক্কী চেক্লা’ হায়বা অদুদি য়াম্না ফজখিবনি। লীলাদু ঐখোয়না শান্নখিদবা মফম, খুন-লৈকায় অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই। নুংথিল ওইরসু, নুমিদাং ওইরসু লীলাদু অয়েংবশিংনা লীলাগী ৱারী পরিং লিথরকপা মতমদা কপখিদবা অমত্তা য়াওখিদবনি।

লীলাসি হন্দক্তি শোয়ররোই হায়না থৱায় য়াওনা শান্নরগা শাথীনা ফজখিদবা কয়া অমসু লৈখি। মদু হান্না খরা নীংশিংজহৌরগে মতাং চারিঙৈদা। ‘অঙাংবা গুলাব’ হায়বা লীলা অমা শান্নখি, লীলাদু লৈখিদ্রবা দিনো তেন্সুবনা ইবনি। তৌবগীবুদি লীলাদু ঐখোয়না কয়াদি পামখিবা স্ক্রিপ্ট ওইখিদবনি, অদুবু করিগুম্বা অমদগী অমদি মতাংদুদা অনৌবা স্ক্রিপ্ট লৈখিদবদগী অনৌবা লীলাদি পুথোক্তবা য়াদদুনা শান্নখিবনি। লীলাদুমা শো মরি/মঙা উৎলগা অদুম থুপচিনখ্রে। নুংঙাইয়ু হায়বা শুংয়া য়াখিদ্রে। শান্নরিবা আর্টিষ্ট ঐখোয়মক্নসু লীলাদু থোকপা তনবা য়াওনরক্লে, অদুনদি কায়দগী লীলাদু ফগৎপা ঙমগনি। লোইদবা য়াদবগী শান্নবা হায়দু তারে। মসিমা মায়থীখিবশিংগী মনুংদা অমনি। সিগী মতুং কুমজা ১৯৮০গী অদুৱাইদা ‘শরাক তমখ্রবী’ হায়বা লীলা অমগা শান্নখি, মদুনা ওজা চনা লুখোইনা ইবনি। লীলাদুমদি মতমগী ইস্যুনি। মতমদু মণিপুরদা ইন্সর্জেন্সিগী ঈহৌ ঈরাং য়াম্না কনবা মতমনি। মণিপুরদা মপানগী আর্মি, জে কে আর্মিনচিংবা ময়াম অমা থাজিল্লক্তুনা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া থোকপা মতমনি। মী ফাবা, হাৎপা, শরাক তম্বা য়াম্না থোকখি লৈবাক্কী মচি-মচিদা। মদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লীলানি। মতমগী ওইনদি য়াম্না চান্না-চুনরবা লীলা অমা ওইখিবনি। লীলা অদুসু শো মরি/মঙাদগী হেন্না শান্নখিদে। লীলা পার্টি অমনা লীলা অমা পুথোকপদা অমুক-অমুক মায়থীবসিদি য়াম্না শোকখ্রবজাৎনি। লীলা কৌবগী চাং, লীলা চৎপগী চাং য়াম্না হন্থে। মদু ফুকৎনবা হোৎনবা অঙকপা অৱাবা অমনি। অসুম্না ‘থৱায়গী মমল’ (১৯৮২), ‘ইঙাগী থাবল’ (১৯৮৯), ‘মন্ত্রিগী বঙ্গলো’ (১৯৯২) লীলাশিং অসি চনা লুখোইনা ইখিবনি। ফজনি খল্লগা মায়থীখিবশিংনি। মসিগী মরক্তসু ‘গোবিন্দ দর্শন’ (১৯৮৫), লীলাসিমনা নিলধজ খুমননা ইবনি, থিএটর ওইনা মায় পাক্লা শান্নখিবা স্ক্রিপ্টনি, শুমাং লীলা ওইনা শাননবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবনি। ‘চৎলসিবা কদাইদনোমা’ (১৯৮৫) অইবা মোইরাংথেম ইনাও। লীলা অসিসু ৱারীদদি পংনুংদা নুংশিবা অদুগা শক্তম ওইনা শান্নরকান্দনা ফজখিদবনি। সিগী মতুংদা অমুক ‘ফিরাল চৈখোক মখোঙদা’ (১৯৮৯), ‘কেবিন্দা কেথবী’ (১৯৯০) লীলা অনীমকসি লৈখিদ্রবা এন জি মোহেননা ইবিরম্বনি। অহানবগীসিনা ভোটকা মরী লৈনবা ৱারীনি, মচিন মনাও কেন্দিদেট অমমমগী চেনবদগী খৎনরক্তুনা ইমুং কায়বগী ৱারীনি, অদুগা অনীশুবা অসিনা মতমগী ৱারীনি, কেবিন-রেষ্টুরেন্ট ময়াম অমা থোরকপদা মদুদা থোরক্কদবা ফত্তবা কয়াগী মতাংদা মাঙজৌননা লীলা ওইনা ঐখোয়না পুথোকখিবনি। অদুবু খরা ঙনখিবনরা কৈনো, মীয়াম্না ৱাখল ইতাও তাও হায়বা য়াখিদে। লীলাদু মায়থীখি। সিগী মতুংদা লীলা খরা অমসু ফ্লোপ চৎখি। রাজেন তোইজাম্বনা ইখিবা - ‘মসিনি নঙগী মণিপুর’ (১৯৯১), ‘লম্বী লমখাংদা’ (১৯৯১), ‘শরূ মপৈ’ (১৯৯৪), ‘ৱাকৎ চে’ (১৯৯৭) লীলাশিং অসিসু কয়া পাঙবা লীলা ওইখিদে। মশীং খরা খক্তমক শান্নরগা লোইশিনখি। ‘য়ানশিনখ্রবা ঈ’ (১৯৯৫) হায়বা দিনেস তোংব্রমনা ইখিবা লীলা অসিসু ফ্লোপ চৎখি। সিগী মতুংদা ঐ ইশানা ইখিবা ‘নুংশিবী ইমা’ (১৯৯৭) হায়বা লীলা অমসু ইফ-ফজনা মায়থীখি। অসুম্না শানবা লীলা খুদিংমক হেক্তা লোইনা ফজগনি হায়বা লৈতে। শেল অমদি মতম চঙনা পুথোক্লিবা লীলাশিং অসিগী মপুন্সি অসি শাংবা অমসুং তেনবা হায়বা অসি য়েংবীরিবশিংগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। স্ক্রিপ্ট খুদিংমক, মাগী মাগী ওইবা মশক অমদি মতৌ অমমম লৈজরিবা ঙাক্তনি। লীলা পুথোকত্রিঙৈদা য়াবা য়াই হায়না খন্নরগা পুথোকখিবনি। অদুবু লীলা ওইনা থোরক্লবা মতুংদা কয়া মায় পাকখিদবগী ৱানি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৪৩

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ০৩, ২০০৯ :** জুলাই ২৩দা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা মহৈরোয়শিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলায়েন্স ওফ মণিপুরনা ঙসি পোইন্ট ৬ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না দেসামনা মণিপুর লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌরিবশিং অদুদি নোংমাইজিং য়াওনা ছুটি ওইবা নুমিৎশিংদা এক্সত্রা ক্লাস তৌহনবীয়ু, নর্সরিদগী হৌরগা ক্লাস নাইন ফাওবগী পরিক্ষাশিং একাদেমিক সেসন অসিগী ওইনা ফেব্রুৱারী ২০১০দা তৌহন্নবা শীনবীয়ু, হায়রিবা ক্লাসশিং অসিগী অনৌবা সেসনশিং এপ্রিল থাদগী হৌহনবীয়ু, পাম্বে অমা তৌদুনা ক্লাস তেনদগী ক্লাস ত্বেলভ ফাওবগী পরিক্ষাশিং মতম চানা পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী অন্দর গ্রেজুয়েট অমদি পোষ্ট গ্রেজুয়েট পরিক্ষাশিং হান্নগা ফোঙদোকখ্রবা একাদেমিক কেলেন্দরগী মতুংইন্না পাঙথোকহন্নবা শীনবীয়ু অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা এদ্যুকেসন ফ্রী জোন ওইহন্নবা হোৎনবদা অচেৎপা খোঙফম লেপ্পীয়ু হায়বসিনি।

**দিসেম্বর ০৩, ২০০৯ :** কসোম খুল্লেন সব দিভিজনগী এস দি ও ডা. থিংনাম কিষন অমসুং মহাক্কী ষ্টাফ অনী হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সী বি আইনা ফাদুনা হৌজিক টিহার জেলদা লৈরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী হোপসন নিংসেন সুপ্রিম কোর্টতগী থা ৪গী দিটেন্সন ওর্দর লৌরম্বনা মরম ওইদুনা ঙসি সী জে এম উখ্রুলদা পুথোকপা ঙমখিদ্রে হায়রি।

ডা. থিংনাম কিষন অমসুং অতোপ্পা ষ্টাফ অনীবু হাৎখিবগী থৌদোক অসিগী মতাংদা সী জে এম কোর্ট উখ্রুলনা ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী কেস অমা ফাইল তৌরকখিবদুগী মতাংদা মমাঙ থা নবেম্বর ৩দা কোর্ট অসিনা মীহাৎ অসিগী মাষ্টর মাইন ওইবনি হায়বা হোপসন নিংসেনবু ঙসি দিসেম্বর ৩দা কোর্ট অসিদা পুথোরক্নবা টিহার জেলগী এস পি য়াওনা মরী লৈনবশিংদা চে থাদুনা খঙহনখিবনি। অদুবু ঙসি সী জে এম কোর্ট উখ্রুলদা হোপসন নিংসেন সী বি আইনা সুপ্রিম কোর্টতগী থা ৪গী দিটেন্সন ওর্দর লৌরে হায়না ইম্ফালদগী সী বি আইগী দি এস পি অমনা ওর্দর কোপি অদু সবমিট তৌরকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা জে এ সীগী চ্যেরমেন এস টিকেন্দ্রজিৎনা মণিপুর পুলিসকী দি জি পিনা হোপসন নিংসেনগী কেস অসি মণিপুরদা চত্থবা তারবদি মীতৈ অমদি নাগা অনীগী মরক্তা কাঙলূপকী ঈরাং থোক্লকপা য়াই অমসুং হোপসন নিংসেনবু মণিপুরগী জেলদা তেক্তা কায়দনা থম্বা ঙম্লোই হায়না মরী লৈনবশিংনা খঙহল্লম্লে হায়দুনা থৌওং অদুবু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

**দিসেম্বর ০৪, ২০০৯ :** ঙরাং অহিং ককচীং পি এসতগী অৱাংদা কিলোমিটর ৬ লোম চৎলগা লৈবা অঙোম লৌকোন্দা মচা অহুম লৈরবী নুপী অমা মহাক্কী মপুরোয়বনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং কোন্সম নিংঙোল হিদম ওংবী পিশকমচা (৪২) কৌই, খোংজোম অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। মহাক ইবোমচাগা য়ূম পানমিন্নদুনা মচানুপা ২ অমসুং মচানুপী ১ লৈরে। লৈখিদ্রবী পিশকমচাগী মপামসু খোংজোম অৱাং লৈকায়গা নক্লনা লৈবা সন্ত্রাম মমাঙ লৈকায়দগীনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, মহাক্কী নুপী হাৎলুরবী হিদম ইবোমচা ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তাবদা মহাক্কী মচাশিংগা লোয়ননা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্দা সরেন্দর তৌরবগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদুগী লৈফমসু মহাক্লা ফোঙদোক্লককখি।

মহাক্লা পিশকমচাবু মহাক্কী ইমুংমক্তদা ঙরাং অহিং হাৎলবা মতুং ময়ূমদগী কিলোমিটর ১.৫ রোম চৎলগা লৈবা অঙোম লৌকোন্দা হুন্দোক্লম্বনি হায়রি।

ইবোমচানা পুলিসতা ফোঙদোক্লককপা অদুদগী থৌবাল পুলিসনা অঙোম লৌকোল পুরিবা ককচীং পুলিস ষ্টেসন্দা পাউ পীদুনা পিশকমচাগী অশিবা হকচাং অদু মফম অদুদগী অয়ূক পুং ৯ লোম তাবদা থিবা চৎখি। অশিবা হকচাং অদু চরূ ফুদিৎকী মরক্তা ফি অমনা কুপ্লগা লৈরমখি। হকচাং অদুগী নাকন্দা ফুট ৩ লোম শাংবা প্লাষ্টিক থৌরি অমসু তাদুনা লৈরমখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

লৈখিদ্রবা পিশকমচাগী ঙকশমদা থৌরি কোঙ্গোইনা লাকহৎখিবগী দাগফম লৈরমখি। মহাক্কী অশিবা হকচাংগী নাকলদা তারল্লিবা প্লাষ্টিক থৌরি অদুনা মহাকপু কিশিন্দুনা লাকহৎলগা হাৎপা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

পুলিসনা অশিবা হকচাং অদু থেংনদ্রিঙৈ অয়ূক পুং ৪.৩০ রোম তাবদা হিদাম ইবোমচাগা য়ূমলোন্ননা লৈবা মোইরাংথেম মোম্বী (৩৫) মপুরোয়বা ইবোমচা অমসুং শুমাং পুনবা লাইশ্রম ইন্দ্রানি (৩৫) মপুরোয়বা সোমোরেন্দ্রোনা পিশকমচাগী মপাম সন্ত্রাম মমাঙ লৈকায়দা লাকখি। মখোয়না ফোঙদোক্লম্বগী মতুংইন্না, ঙরাং নুমিদাং ইবোমচা অমসুং পিশকমচা অনীগী মরক্তা খৎন-চৈনবগী মখোল তাখি। মহাক য়ূমদা লৈবা উদে। মপামদা লাকপ্রা হায়না য়েংবা লাকপনি হায়রমখি। অদুবু মপামদা লৈরমদবদগী মখোয় অনী হনখি হায়রি।

পুলিসনা মশামক্কী নুপীবু হাৎলিবা ইবোমচাগী ময়ূমদা চৎতুনা থিজিল্লুবদা ফম্মাংদা ঈ তাবা থেংনরকখি। পিশকমচাবু মহাক্কী মপুরোয়বনা হাৎলম্লে হায়বা লৈকায়গী মীয়াম্না খঙলকপদগী অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইবোমচাগী য়ূম অদু শীদোকখি। ইমুংদা লৈরম্বা কাংথোল অনী, সাইকল অনী, মোম্পাক, ফিরোলনচিংবা পোৎলম শুমাংদা পুথোক্লগা মৈ থাদোকখি হায়রি। লৈখিদ্রবী পিশকমচাগী পোকমিন্নবা মবুং কোন্সম মঙলেম্বনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, মহাক্কী মশেন্নুপা ইবোমচা অসি চহী খরগী মমাঙদা অতোপ্পা নুপী অমা কোয়রম্বগী ৱাথোক লৈখি। মহাক য়ু থকচিল্লগা নুপী অঙাংদা ঙাইহাক লৈতনা খৎন-চৈনবগী পাউসু তোয়না তাই হায়রি। ঙসি নুংথিল অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়না পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। ●

# টাইৱান্দা নিংঙোল চাক্কৌবা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ইনাৎ, ইরোল, ইনাৎকী চৎনরোল, থৌগল্লোল অমদি হৌরকফম্মু লুনা খঞ্জবা মীশক অমা ওইজবনা ইনাৎকী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াম্না লূম্না, লুনা খঞ্জে। মৌগী শীংদা চনখ্রবী, য়ূম্নাক শাগৈ হোংখ্রবী, লমদম তাম্না লৈখ্রবী নিংঙোল ওইবী কয়ানা খূৎশা থেক্তুনা, নুমিৎ চিংজিল থিদুনা ঙাইনরিবা কুম অমদা অমুকখক থোকপা, অপোকপী পলেম-পম্থৌ অমদি মবুং-মৌপ্পাগা ফম্মীন্নদুনা, পুকমেন পাউমেন্নদুনা হরাউ-নুংঙাইনা চাকলেন চামিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা নুংশিরবী ইরমদমগী ইনাৎ ‘নিংঙোল চাক্কৌবা’ টাইৱান্দসু হৌখিবা নবেম্বর ২১, ২০২০দা পাঙথোকখ্রে।



অসিগুম্বা ইরমদমগী পলেম-পম্থৌ অমদি মবুং-মৌপ্পাশিংগা নিংঙোলশিংগা লৈনরিবা মরী অদু তত্তনা থম্নবা হায়দুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি টাইৱান কৌবা ঈথৎসিদা মহৈ-মশীন তম্লিবা ইরমদমগী মবুং-মৌপ্বা শক্লবা পিবাশিংগা য়ূম্নু ওইরিবা ঐখোয়গী ইমুং নৎত্রগা এক্স-থিএটর দ্রামাগী দিরেক্টর ওইনা লৈরিবা ইনাও জয়েন্তগা পূন্দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি। হৌরকপদদি ঐহাক্কী শঙলেননা টাইপৈদা লৈবগা মহৈরোয়শিংসু অয়াম্বনা টাইপৈ সিটি, ন্যু টাইপৈ সিটি অমদি ন্যু টাইপৈ সিটিগা নক্লনা লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরম্বনা ঐহাক্কী শঙলেন্দা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু হন্দক চহী অমা অনীসিদি ইরমদমদগী লাকখিবা মহৈরোয়শিং টাইৱানগী অরাপ্পা মফমশিংদা লৈবা মহৈকোলশিংদা তম্বা হৌরকপদগী খা খরা ওইনা লৈবা ইনাও চোংথাম জয়েন্তগীদা ওইনা পাঙথোক্লে।

ইরমদমগী ইনাৎ- নিংঙোল চাক্কৌবা অসিবু অরাপ্পা মীরম অসিদা পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি ইরমদম কংলৈপাক্তগী থাপ্না লৈখ্রবসু ঐখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা ইনাৎ অসিবু কাউদনা থাগোন্নদুনা চৎপা, হিংবা হায়বসিনি। অসুম্না লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুনশিন্দুনা অসিগুম্বা ইনাৎকী ওইবা থৌরমসি পাঙথোকপনা ঐখোয়গী ইনাৎপু নীংশিংবতা নত্তনা মবুং-মৌপ্বা ওইবগী মরী অদো নীংশিংহল্লি। লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈদুনা, চৎতুনা নিংঙোল চাক্কৌবা য়াওবা ফংজদ্রবী নিংঙোল ওইবী মহৈরোয় কয়াগী মফমদসু মবুং-মৌপ্বা কয়া লমদম অসিদসু লৈরি হায়বদু উৎপনি অমদি মবুং-মৌপ্বা ওইবগী মরী অদু নীংশিংহনবনি।

মসিগী মথক্তা ঐখোয়গী ওইবা ইনাৎ অসিবু মীরমদা পাঙথোকপা অসিনা ঐখোয়গী অসিগুম্বা য়াম্না মতিক-ময়াই লৈখ্রবা ইমুং-মনুং, মমা-মপা অমদি মবুং-মৌপ্বা, মচল-মচে ওইবগী তৎনবা য়াদ্রবা মরী অদু মতম চূপ্পগী ওইনা থম্নবা অসিগুম্বা থৌরাং অমা লৈজৈ হায়বদু উৎথোকপা ঙমজৈ অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিংদা। মসি ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌনি হায়না লৌগদবনি। ইনাৎ নুংশি হায়দুনা ইনাৎপু ইন্দুনা চৎপা খক্তনা ইনাৎ হিংহনবা ঙম্লোই। ইনাৎপু হিংহনগে হায়রবদি ইনাৎপু অতোপ্পদা খঙহনবা মথৌ তাই, শন্দোকপমক নৎত্রবসু। ঐখোয়না উথোক্তনা কনানা লাক্তুনা হংলগদবা নত্তে, কনা লাক্তুনা শৌগৎপীগদবা নত্তে।

অসিগুম্বা ইরমদমগী থৌরম অসিদা ইচলশিং অমদি ইনাওশিং অসিগী খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাংসু থৌরম অসিদা লাক্তুনা য়াওরৈ। মমাঙদা পাঙথোকখিবদা লাকখিবগুম, হন্দকসু নিংঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভিএটনাম, বাংলাদেশ, হরিয়ানা, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, অন্দমান এন্দ নিকোভর অমদি টাইৱান লমদমসিগী চাইনিজ নিংঙোল-পিবাশিংসু য়াওখিবনি ঐখোয় ইরমদমগী মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকী নিংঙোল-পিবাশিংগী মথক্তা।

তাঞ্জা অসি লৌজদুনা ঐখোয়গী ঙমজবা থাক্তা মখোয়দা ঐখোয়গী ইনাৎ অসিগী মরমদা ঐখোয়না খঙজবা মওংদা পাউদমজৈ থৌরম অসিগী মরমদা। লোয়ননা ঐখোয় ইমুংগী লৈজবা খুদৈ, ফনেক, ইন্নফি অমদি লেংয়ান্নচিংবা পুথোক্তুনা অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিং অদুবুসু ফিজোলশিং অসি শেৎহল্লি, ইলহল্লি । নিংঙোল চাক্কৌবতা নত্তে, অতৈ ইরমদমগী ওইবা থৌরমশিংসু পাঙথোকই। মরু ওইনা চৈরাওবা অমদি ইমোইনু ইমাগী নুমিৎসু ।

লোইশিল্লকপদা, অতোপ্পা মফমদা লৈবিরিবা ইরমদমগী ইরৈচাশিংনা ইশা ইশাগী ঙমজবা য়েংদুনা পাঙথোকপীয়ু ঐখোয়গী ইনাৎকী ওইবা মরু ওইবা থৌরমশিং। অসুম্না পাঙথোকপা অসিনা ঐখোয়গী হৌরকফম নীংশিংহনবতা নত্তনা ইরমদম অমদি ইনাৎপু হেন্না নুংশিহল্লি লোয়ননা ইরমদমগীদমক ঙমজবা খরা তৌনীংবগী ইনোৎ অমা হাপ্পী। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংদা ঐখোয়গীসু য়াম্না ৱাংবা, মতিক ময়াই লৈবা চৎন-কাঙলোন, হৌনা লোনচৎ অমদি ইনাৎ, ইরোল ৱাংনা লৈজৈ হায়বদো উৎথোকপা ঙমজৈ। হৌরকফম খঙবনা য়াইফরে, ইনাৎ ইন্না চৎপনা য়াইফরে, নিংঙোল চাক্কৌবনা য়াইফরে, য়াইফমিন্নরসি! ●